# “হিন্দি চিনি ভাই ভাই -!”



**– এল ইবোমচা –**

মমাঙঙৈদগী চিনবুং ৱাহৈ ওইনা হায়দুনা লাকপদগী অমদি লাইরিক তম্লুবা, পারুবদগী লান হায়বা ৱাহৈসি ৱাখল খরা খরা তারক্লবা অঙাংদগী অহল ফাওবা তাদবা অমত্তা লৈরম্লোই। অমুক্কা হেন্না কুকিশিংনা মে ৩,২০২৩গী যূমশকৈশা নুমিৎতগী মীতৈ ফূরুপ্তা হিংশা চত্থরক্তুনা মীতৈশিংগী যূম-কৈ, লাইশঙ, কম্যুনিটি হোলনচিংবা মৈ থাবা হৌরকপদগীদি লান হায়বা ৱাহৈ অসি তাবা হেল্লক্লে। হন্দক কুকিশিংনা মীতৈ ফূরুপ্তা অতম্নবা চত্থরক্লিবা হিংসা (লান হায়নীংদে) অসিদা পূন্না মীওই ২৩০গী মথক্তা লৈখিদ্রে। মীওই ৩২ রোম থিবা খঙদদুনা লৈরি। মীওই ১৫৫৫ রোম অশোক-অপন নংদুনা শোয়নাইদুনা লৈনরি অমদি মীওই লিশীং ৬৫গী মথক্তা ময়ূম-মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখিবদগী লৈঙাক্না হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরম্বদগী মীওই খরদি ময়ূম-ময়ূমদা হজিনবা য়াওনখ্রে।

হন্দক্কী ঈরাং অসিদগী মণিপুর অসি মমিং শেগাক কায়না চৎখ্রে, য়ু এন ও ফাওবা য়ৌখ্রে। মণিপুরদা কাঙলূপকী ঈরাং থোক্লে, মীশিং হেন্না য়াম্বা হিন্দু মীতৈশিংনা মীশিং য়ামজদবা খৃষ্টিয়ান কুকিশিংদা ওৎপী নৈবীরে, মরমদগী তাম্থোক্লবা হোৎনবীরে, ফূবীরে, চৈবীরে, হাত্তোকপীরে অসিনচিংবা ওইদবা পাউনা প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা ৱাই চাইখ্রে। ফত্ত-লৌশিংদা খম থেংনা হৈথোই-শিংথোইরবা কুকিশিংনা মালেমগী খৃষ্টিয়ান কম্যুনিটিদা ফাওবা তাক্তুনা মখোয়গী মীচংদা চংবীরক্লবা মতেং নীখিবা লৈখ্রে। অদুবু খৃষ্টিয়ান কম্যুনিটিনা মীচং চংলকপগী পাউ তাবা লৈখিদে। মসিদগী অমুক্কা হেন্না মণিপুরগী মমিং শেগাক কায়না চৎখ্রে।

অশেংবমত্তি লান হায়বসি লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা য়েংথীনবদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। মালেমগী ওইনা ফর্ষ্ট ৱর্ল্ড ৱার অমদি সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার থোকখ্রে। লান অনীমক চহী অহুম খরা হেন্না শোক্লখিবা ঙাক্তনি। হেন্না শাথীবদি কুমজা ১৯৩৯-১৯৪৫ ফাওবা শোক্লখিবা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারনি। লান হায়বসি মীচং খোন্বা চৎনৈ। লান অসি এলাইদ পৱার অমদি এক্সিস পৱার অনী শোক্লবনি। এলাইদ পৱারদা জপান, জর্মনি, ইটলি অমদি ইন্দিয়াগী নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী আই এন এ য়াওরি। এক্সিস পৱারগী মায়কৈদনা অমেরিকা অমদি মাগী মপাংনি। লাঞ্জাও অসিদা অমেরিকানা জপানগী হিরোসিমা অমসুং নাগাশকিদা লিট্টল-বোয় অমদি ফেট-মেন হায়দুনা মিংথোনবা এটোম বোম অনী এরোপ্লেনদগী থাদরকপদগী জপান শাথীনা মায়থীবা নংখিদুনা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার লোইশিনখি।

মণিপুরদা লাঞ্জাও অসিগী মমি চাউনা তাখি। ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈবা মীওই পূম্নমক লাঞ্জেন্নখি। খুরাই মায়কৈ অমদি নম্বোল মায়কৈদা এরোপ্লেনদগী অতৎ অখম নাইদনা বোম কয়া থাদরক্তুনা অশি-অনা, অশোক-অপন কয়া নংদুনা খুদোংথীবা মায়োক্লখি। লাঞ্জাও অসিবু মণিপুরদা জপান লান হায়না খঙনৈ। জপান লান মণিপুরদসু য়ৌরকখি হায়বগী খুদমদি ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল য়ুংখিবা মফম মোইরাংদা আই এন এ মেমোরিএল অমদি নম্বোল মাইবম লোৎপা চীংদা জপানিজ মেমোরিএল কমপ্লেক্স হৌজিক হৌজিক মীৎনা উদুনা লৈরিবা অসিনি।

মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা লান মশীং খঙদনা থোকখ্রে অদুগা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদনা থেঙ্খাং অহুম্লক্তা লাঞ্জাও থেংনখ্রে। অদুবু মালেম অসিনা লৈরিমখৈ নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা লান অনীখক হায়বা তারবদি কুমজা ১৮১৯-১৮২৬ ফাওবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখিবা অৱা লান, কুমজা ১৮৯১দা থোকখিবা এঙলো মণিপুরী লান অসিনি। লান অনীমক অসি কয়ামুক য়াম্না কনবগে হায়রবদা বাংলাদেশ, ত্রিপুরা অমদি অসামদা চোইনা চোইনা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিং অসি অৱা লান্মীনা কা হেন্না ওৎ নৈবা হেনবদগী খাঙবা ঙমদ্রদুনা চেন্নখিবশিংনি। অদুগা বর্ম্মা (ম্যান্মার) দা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিং অসিনা অৱা লান্মীনা মখূবাক্তা য়াইরিনা লেংলগা ফাদুনা পুখিবশিংনি অমদি ক্বাথাদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিং অসিনা অৱা লান্মীনা লানফা ওইনা ফাদুনা পুবীখিবা মীতৈশিং অদুদগী হৈজ-শিংজদুনা মফম অদুদা লৈথদুনা লৈহৌবশিংনি।

অদুগা কুমজা ১৮৯১ এঙলো মণিপুরী লানদা মণিপুরীশিং বৃটিশকী মখূৎতা শাথীনা মায়থীবা নংখিদুনা চহী ৫৬ চূপ্না বৃটিশকী মীখা পোন্দুনা লৈখি। ঙসিমক চহী খুদিংগী এপ্রিল ১২ নুপীলানগী থৌরম পাঙথোক্লরিবা অসি এঙলো মণিপুরী ৱার থোকখি হায়বগী মতিক চারবা খুদমশিংনি।

ইন্দিয়ানা নমতিন তিল্লবা মতুংদা অহানবা থেংনখিবা লান অদুদি কুমজা ১৯৬২দা ইন্দিয়া-চাইনা শোক্লখিবা ইন্দো-চাইনিজ ৱারনি। লানফম অদুদা চাইনানা লান ঙমদুনা অরুনাচল প্রদেশকী লম খরা লৌশিনখিবা লৈখি।

অনীশুবা থেংনখিবা লাননা কুমজা ১৯৭১দা ইন্দিয়া-পাকিস্তান শোক্লখিবা ৱার অদুনি। লান শোক্লখিবগী মরম্না কাশ্মীর সেক্টরদা পাকিস্তান লান্মীনা লম খোপচিল্লকপদগী ইন্দিয়ন লান্মীনা তকথোক্লবা হোৎনবদা থোকখিবা লাননি।

লান অসিনা মণিপুরদসু চাউনা চৈথেং ফংখি। পাকিস্তাননা বোম থাদরক্কনি চিংনবদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মপান কাংজৈবুংদা এল শেপ অমদি এম শেপতা লৈঙাক্না কোমজাও তৌদুনা থল্লম্মী। অদুগা য়ূমথোঙ খুদিংনসু মশা মশাগী ইঙ্খোল মনুংদা এল শেপ অমদি এম শেপতা কোম তৌদুনা থম্নরম্মী। মদু মতমদুগী লৈঙাক্না পীবা ইন্সত্রক্সন অমগী মখাদনি। লানফম অসিদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী লান্মীশিং তকথোকখিবতা নত্তনা পাকিস্তান মনুং ফাওবা লম হেঞ্জিন্না খুদুম চনশিনবা লৈখি।

অহুমশুবা লাননা কুমজা ১৯৭১দা অমুক হন্না ইন্দিয়া-পাকিস্তান অকনবা লান শোক্লে। লান অসি ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনী অতম্নবা শোক্লবা লানদি নত্তে হায়রবসু ৱেষ্ট পাকিস্তানগী পার্ট অমা ওইরিবা ইষ্ট পাকিস্তান হৌজিক্লা (বাংলাদেশ) নীংতমহন্নবা ইন্দিয়ানা চাউনা মতেং পাংলুবদগী থোক্লকপা লাননি। মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা হান্নগী বাংলাদেশ প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী হৌজিক হৌজিক্লা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবী সৈখ হসিনাগী অপোকপা সৈখ মুজিবুর রহমনদা মতেং খরা পাংলুবদগী ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনীগী মরক্তা লান থোরকপনি।

অদুবু লাইবক থীবদি হৌজিক ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবী বাংলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনা খক নত্তনা সৈখ মুজিবুর রহমনগী ইমুংগী মীওইশিং পুল্লপ পাকিস্তান লান্মীনা হাত্তোকপীখি। অদুম ওইনমক সৈখ মুজিবুর রহমনগী ইমুং-মনুং পুল্লপ হাৎখ্রবসু পাকিস্তানগী পার্ট অমা ওইরম্বা ইষ্ট পাকিস্তান ইন্দিয়াগী মতেংদগী অনৌবা লৈবাক বাংলাদেশ শেমখি। মতুং তাবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীদা পাকিস্তান লান্মীশিং পাক্তক্লনা সরেন্দর তৌরকখি।

মরম অসিনা লান হায়বসিদবু লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা য়েংথীনবা নুংঙাইনদবা লৈনবদগী শোক্লরিবা অদুবু লান কৌই। অদুনদি হৌখিবা মে ৩,২০২৩দগী হান্না নুংঙাইনদবা য়েংথীনবা করিমত্তা লৈতবা মীতৈশিংদা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা ইথা থাজদনা লান্দারক্লিবা অসি লান নত্তে অশেংবা হিংসানি। কাঙলূপকী ঈরাংসি হৌখিবা মে ৩,২০২৬তা চহী অহুম মপূং ফাখ্রে। মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তৌবগী মায়োক্তনি হায়দুনা অটসুম (ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর) না শিল্লগা মে ৩,২০২৩দা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা “কম নাও লেট অজ রিজন টুগেদর” হায়বা বেন্নর অমগী মখাদা পাঙথোকখিবা ত্রাইবেলস সোলিদরিটি মার্চ/রেল্লিদা চুড়াচান্দপুর, তেংনৌপল অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিংগী য়ূমশিং মৈ থাবা, থুগাইবা, নোংমৈ কাপশিনবা, ফূবা চৈবনচিংবা হিংসা য়াওবা থৌওংশিং অসি চত্থরকখি। মদুদগী মীতৈ অমদি কুকি-জোগী মরক্তা কাঙলূপকী ঈরাং অসি থোক্লকখিবনি। ঈরাং অসিদা কাঙলূপ অনীমক্কী মীওই ২৬০ রোম লৈখিদ্রে, মীতৈ ৩২ থিবা খঙদনা লৈরি। মসি অতৈগী নত্তে, কুকি-জোশিংনা মণিপুরসি থুগাইরগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি কন্ত্রি অমা শেম্নবা মীতৈশিংদা হুরান-লোন্নাদা লান্দারকপনি। ইশম শম্না ইন্দিয়ানা চাইনা অসি য়ূমথংনবা লৈবাক অমনি, ইচিন ইনাওনি খন্দুনা “হিন্দি চিনি ভাই ভাই!” লাউরিঙৈদা ইথা থাজরুদনা চাইনানা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৬২দা লান তাশিল্লকখিবা অদুগুম্বনি। মীতৈ লোনদা ‘লুম্ফু’ হায়দুনি। মরিংজেল য়াওদবগী থৌওংনি। ●

# ‘শবাক ফাকত্রিমখৈ লানশক খঙদে হায়দুনি, খঙমন্নসু খঙদে’

**– বী সি খুমন –**

অপাবশিংদা এক্সপ্লেনেটরি নোট খরা পীদ্রবদি দিক্ল্যার শুংতৌ তৌখিদবা, মীয়াম্না কুকি লান পংহায়দা হায়নবা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু উশিন্নররোই খন্না হন্না য়েংদ্রবা মওং অমগী লান অসিগী গ্রাউন্দ রিএলিটি, খঙবোই খঙদবোই অদুম চনৈনখ্রনি। মতমসিগী লানবু থথাগী থবক্লো? অফবা মখলগী খূৎলায়, লানগী লাল্লোং অমত্তা ৱাত্তনা প্রি-প্লান তৌদুনা ইখঙ-খঙহৌদনা লান্দারকপনি মীতৈদা। মরু ওইনা কুকিশিংগা তোৎন-তিন্নদুনা লৈমিন্নবা চীংশিং, চীংয়াগী তম্পাক লমশিংদা। থাজরুদবা মীতৈশিং, খংপ্রেক খংনা থৱায় পুদুনা অরৈবা পূম্বা হুন্দোক্লম্লগা মফম খঙদা চেন্নখিবনি নুমিদাংগী মতমদা। ইন্দিয়ান মিলিটরি রেজিমেন্ট/ফোর্স এ আরনা মতেং পাংবীদুনা মীতৈ কয়া থৱায় হিংহৌবগী ৱারীবুদি শাংনা লৈরি। অসাম রাইফলসকী মরৈ অনী লোঙবা থৌশিল ময়াম্না হেনখিবনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা পেরেলেল ষ্টেটস ওইখ্রে। মীয়াম্না হুদগী হেন্না খানরে। চুম্বুদি চুম্মী ‘ওর্দর ইজ ওর্দর’ মথক থোংবা ওফিসরশিংগী ওর্দর ইনবা হায়বসিমক ‘মিলিটরি ইথিক্স’নি। মথক থোংবশিংনা কুকিদা নোংমৈ কাপ্পু হায়রকপদা অদুম কাপখিনি। মিলিটরিসু মীনি, অচুম-অরান অদুম খঙনৈ, কৈনো? সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী দর্টি পোলিটিক্সতা অদুক মীৱা তাবৈ ৱানি। সিনা মফৈ ফূবনি, ৱারী শবাক ফাক্কদবা য়াম্না লৈরি। আর্টিকল অমা ইবদা মফৈ ফূবগীসু চন্নফম ৱাংনা লৈরম্মী হায়বসিসু হান্না খঙলমদে, ঙসিদি ৱাখল তারক্লে।

মণিপুরদা লৈরিবা ‘অসাম রাইফলস’ অসি লোকল পীস-কিপ্পিং মিলিটরি রেজিমেন্টনি। মখোয়সি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট হোম মিনিষ্টরনা দাইরেক্ট কন্ট্রোল তৌবা, অসাম লৈঙাক ফাওবনা খূৎ থিংজিনবা য়াদবা অখন্নবা রেজিমেন্টনি হায়রি। খঙদ্রিঙৈদি ফৈ, খঙলক্লবা তুংসিদদি খঙলু লুশিল্লক্ত্রা? বেষ্ট সেল্লিং নোভেল 'The Da Vinci Code' তা "Opus Dei" অমদি "Priory of Sion" না শক্তি লৈবা সেক্রেট সোসাইটিশিং ওইহনবগুম্বনি। অসাম রাইফলস ইচম চম্বা ইন্দিয়ান আর্মি নৎলমদ্রে। অদুনা ওইরম্বা তাই কুকি মিলিটেন্ট খরগা য়ুনিয়ন লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কা ‘সূ’ তৌনবদা অসাম রাইফলসসু শরুক য়াহল্লিবসি। লালহৌবগী ঈরাংনা য়োল্লবা ষ্টেটসিদা অসাম রাইফলসনা মখল কয়াগী তৌবা ঙম্বা উৎপা ঙল্লিবসিগী মরুমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওরে। লুরদ্রা?

নাগালেন্দদসু এন এস সী এন (আই-এম) গা চত্থবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পীচ টোককিংদা অসাম রাইফলসনা য়াম্না চাউবা থৌদাং লৌখিবগী রিপোর্ট থেংনখি। দিজিগ্নেটেদ কেম্প ‘হেব্রোন’ অসাম রাইফলসনা কন্ট্রোল তৌখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কন্সপিরেসি থিওরিগী অরোনবা এজেন্দা ওইবনবু এ আরগী মথক্তা তৌবা চার্জ কয়া তাশিন-উশিন্নখিদবনি। হৌজিকসুনি, মণিপুরী মীয়াম্না এ আরবু হু তরেৎমুক খানরিবসিনি। ইকুই কুইদ্রিঙৈ, ম্যান্মাররোমদগী হাইজিল্লকপা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নাগাগী খুলশিং নৈখায়রম্বদা এ আরনা করি এক্সন তৌখি। খঙজিনবদা কান্নগদবা অমনা এটেকতু তৌগদবা পুং খরগী মাঙওইননা এ আরশিং পেট্রোলিং লাক্লম্বদুনা অমুক্কা হেন্না মরৌ লৈবনি। লৌতুনবা মানবা অমা ইয়াওদা য়াওই।

পোপি কলটিভেশন লোয়ননা দ্রগ দিল্লিংদা লন-থুম পৈনা পায়রবা খৃষ্টিয়ান চিন কুকি মিলিটেন্টশিংনা অসাম রাইফলস (এ আর) সি পঙথনবা য়াই থারম্বসু য়াই হায়নৈ। সিনিয়র ওফিসর খরা মফমদুদা পোষ্টিং তারকঙৈ, কা হেন্না লন-থুম পৈশিল্লম্বগী সী বি আইনা থিগৎলকপদা মরাল লৈরম্বা, ফাগৎখিবা পাউ-চেদা থেংনখ্রে। সেন্ট্রেল লৈঙাক্লসু য়াম্না থুবদা মখা তানা থিজিন্দুনা অচুম্বদু খঙলগনি হায়খ্রে। ওইথোক্তনীঙাই লৈরোই। এ আর ওফিশলশিংদু মীনি, অমনা কুকি চিন নার্কোটিক্স মিলিটেন্টশিংদুসু মরৌ লৈবদা লমহুইগুম্বনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা হেন্না হংনীংঙাই ওইবা ৱাহংশিংনা পীস-কিপ্পিং আউটফিটনি হায়রিবা এ আরগী মরক্তা লোকল কুকি খৃষ্টিয়ান ময়াম অমা য়াওরিবসিনি। ম্যান্মারদগী লোন্না চঙলকপা, নাটো ওরিজিনগী মতমসিগী শক্তি লৈবা খূৎলায়শিং পায়বা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংদা মীৎচিনফাও য়েংদ্রগা লোকল ষ্টেট ফোর্সনা এক্সন তৌবদা মখোয়না থিংই হায়বগী পাউসু লৈ। চত্থরিবা, হান্না লাউথোক্তবা লানসিদা ইন্দিয়ন মিলিটরিনা ঙাকপীদ্রবনিনা মীচম মীতৈশিং মীহাৎ থীনা হাৎখ্রে। য়ূম-কৈ তুম্না মৈ থাদোকপতা নত্তনা য়ূম্ফম ফাওবা লম্পাক ওম্থোকখ্রে। ইন্দিয়ন মণিপুরীশিং পাক্তক্লনা হাৎলকপদা ইন্দিয়ন মিলিটরি (এ আর) না মীতোপ ফোরেন মিলিটেন্টশিং করিদা শোয়খিগদগে হায়না তুংইন্না শেন্নদুনা লৈরে। করি পাম্বৈনো হৌজিক! মপীনা থৌওইবীদ্রবা ষণনাও মচানি হায় তারে। কৈদৌঙৈ অশি খয়াৎতা তাগনি ঙাইগদবতা ঙাইরে। ফৎলরোই খন্না ফৎত্রবদা মৈ-ঈশিং চঙলরোই।

ইন্দিয়াগী ওইনসু কোক শাবা ফেক্টর ময়াম অমা লৈরি। কন থৌরবা চাইনা থেংননবা থৌরাং, ইন্দিয়া মনুংগী ওইবা ইন্সর্জেন্সিগী প্রোব্লেম। হান্না ৱাওই থৌওইরমদবদগী সিরিয়স ওইখ্রবা মতুংদা ৱাখল তারকপনি। জিওপোলিটিকেল ওবজেক্টিভ ওইরিবা কলাদান প্রোজেক্ট লোইশিন্নবা অঙম তানবদা কুকি মিলিটেন্টশিং শাওহনবা য়াখিদে। ম্যান্মারগা তাইনবা চীংগী অসুকপা উমংদা শৈদাংলিবা নীংতম্বা তাল্লিবা এক্সত্রিমিষ্ট লোইশিন্নবা হোৎনবদা কুকি মিলিটেন্টশিং থেমদুনা শীজিন্নদবা য়াদ্রি। তাল্লকসিদা খুদোংচাবা লৌবা হৈখ্রবা কুকি লমহেনবশিংনা মখোয়দা করিসু তৌরক্লরোই খঙনা মীতৈদা লান তাহৌবনি। কুকিশিংনা মীতৈদা তীং শোক্লা শাওবগী মরমসু য়ামখ্রে। অচুম অরানদি মতম্না লেপসনু।

হৌজিকমক্কীদি মীতৈশিং, নাগাশিং ঊচিগী শক্লোন লৌরি। হৌদোংগী পার্টনা মোদি-অমিট এন্দ কো: না লৌরি। লৈবাক নুংশিজখ্রবা সী এস ওশিংনা মশীং খঙদা মীফম ফমদুনা ঊচি ৱারেপ লৌখ্রে। হৌদোংদা শরিক থাংদৌরি। খ্বাইদগী লুরিবনা কনানা হৌদোংদা শরিক থাংদৌরি? হৌদোংদা শরিক থাংবদি লায়রদনা মশক উজগে ফাওবা ফংদ্রিবা মতম ওইরি। অমুবা নোং মপৈ-মপৈনা অতিয়া থল্লি, নুমিৎ মশক উখিরোই।

লোন্না চেল্লকপা ম্যান্মারী কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং য়োকখৎতুনা মণিপুরী, অতম্নবা মীতৈ, নাগাশিং পাক্তক্লনা হাৎপগী লান ইন্দিয়ানা অথুবদা লোইশিন্দ্রবদি মাস সিভিল ৱার থোক্লক্লিঙাই মচাক য়াম্না লৈরে। হায়বদবু কুকি লান হায়বনি, অখঙবশিংনদি কুকি মশীং থানদে। মরৌ লৈখ্রবা প্রোক্সি ৱারসি ইন্দিয়াগী প্রি-প্লাননি অদুম খঙই। লান পাক লেপখিরোই। থাজদবা অঙক অঙকপা থৌদোক অমগী মথংদা অমা মরী মরী লাক্কনি। কৈদৌনুংদা তংদু লৈতাখিরোই, ইন্দিয়া অঙম তাল্লি। থৌদোক অমনা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরকপদু অতোপ্পা হেন্না তমথীবা থৌদোক অমা থোকহল্লগা হান্নগী ঈহৌদু কাউখিনবা টেক্টিস শান্নরক্কনি। মীয়াম চেকশিনবীয়ু, কুকিগী লান নত্তে, ইন্দিয়াগী প্রোক্সি ৱারনি। ঐখোয় ইন্দিয়া লৈঙাক্তা লান খাম্মু হায়ফম থোক্লিব্রা? নুপী-অঙাং য়াওনা ফুদিত্তা মাঙজোং চোংবনা ইন্দিয়াগী পপ্লেট মণিপুর লৈঙাক্তা তাইনবসু লৌশিংতা খাজনা থিবা থোক্লোইদ্রা।

হৌজিক্তি ৱা ঙাঙদনা, থবক্তনা ইন্দিয়া ইকায়বা পীবা য়ারে, মতম চারে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনিসু হায়, ষ্টেট অমা ওইবগী মথৌসু পাঙথোকহন্দে। য়াম্না হন্থবা থাক্কী ইন্দিয়ন সিটিজেন অমগী মীৎয়েংনা য়েংলি। ইন্দিয়ানা খঙগদবদি- মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরম্বা বৃটিশ অম্পয়রমক্কা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা লাম্হেংনখিবা মণিপুরীনি। মায়থীবা, মায় পাকপদু নত্তে লান, লৈবাক্কীদমক, অচুম্বগীদমক কত্থোকখিবা থৱায়শিংদুগী চাউথোকচবদুনি মণিপুরীশিংগী লুদা-তোংদা পল্লিবা। মণিপুরীশিং ম্যেন্দলেন্দ ইন্দিয়নশিংদগী করিসু তাদে। ●

# বৃটিশকী কোলোনিএল শাসন লৈরিঙৈদা কুকিনা চত্থখিবা মশাকর (মীয়াম তুম্না হাৎপা) থৌদোক খরগী অশম্বা ৱারোল-(১)

**– সিনিয়র প্রোফেসর কে যুগিন্দ্রো (রিটাইয়র্দ) –**

**ফোর্মর এক্টিং ভাইস চাঞ্চেল্লর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি**

কুকি হায়বা ফূরুপ অসিগী মীওইশিংদি মপান্থোংদদি য়াম্না ঈং-তপ্পা, হৌন-লোনচৎ ফজবা মাল্লগসু, মখোয়দি কা হেন্না অনম কল্লি; মখোয়না য়েক্লবনি হায়না খনখ্রবা মীওইশিংদুদি ইঙ্গিৎ অমত্তা উত্তনা খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংবদা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপা ঙম্বগী মগুণ চেল্লি। বৃটিশকী কোলোনিএল শাসন লৈরিঙৈদা চীংথক্তা লৈবা কুকশিংনা চীংগা তাইনবদা লৈবা তম্পাক্কী লমশিংবু নম্ফুদা লৌশিন্নীংবদগী তম্পাক্তা হান্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগী মথক্তা হেক হেক খঙহৌদনা লান্দাদুনা মীওই কয়াবু তুম্না হাৎখিবা (মশাকর) গী থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোকখি। মণিপুরগী পুৱারী য়েংখৎলুবদা কুকিশিংনা হিংচা-য়াইতম্বগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা তপ্না-তপ্না মণিপুরগী নোংচুপলোমদা লৈবা কবুইশিংগী লম অমদি নোংপোকলোমদা লৈবা তাঙ্খুলশিংগী লম লৌশিনখি হায়বগী ৱারী থেংনৈ। মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংগী মীৎ-নাকোং ওইনবগীদমক কুকিশিংনা কোলোনিএল শাসন লৈরিঙৈদা চত্থখিবা হিংচা-য়াইতম্বগী থৌদোক-ৱাথোক খরা মখাদা শম্না নৈনজরি।

১) এপ্রিল ১৬,১৮৪৪দা পাইতে কুকি চীফ লালচোকলানা লুচিংবা কুকি ২০০না সিলেটকী পরটাবঘরদা লৈবা মীতৈগী খুঙ্গং অমদা অহিং অথেংবদা লান্দাদুনা মীতৈ কয়া হাৎলবা মতুংদা মখোয়গী লুরেল লৌদুনা লালচোকলাগী লৈখিদ্রবা মপাগী লৈরোল চনবদা লুখা থাখি, মীওই কয়া অমনা ফাখি অমদি মীতৈ খুঙ্গং অদু মপূং ফানা মৃখৎখি।

২) কুমজা ১৮৪৭তা মণিপুরগী চাঙশেল খুলদা লুশাই কুকিনা লান্দাদুনা চাঙশেল ২০০/৩০০ মুক হাৎখি, অদুগা মীওই কয়ানা লানফা ওইনা পুখি।

৩) কুমজা ১৮৪৭তা লুশাই কুকিনা সিলেটতা চাওরাক্না ত্রিপুরি ১৫০ মুক হাৎখি।

৪) নবেম্বর, ১৮৪৯দা লুশাই কুকিনা সিলচরগী খাদা মাইল ১০ চৎলগা লৈবা সেয়াহপৌগী খুঙ্গং অমদা লান্দাদুনা মীওই ২৯ হাৎখি, মীওই ৪২না লানফা ওইনা পুখি।

৫) এপ্রিল, ১৮৫৯দা শোক্তে (কামহৌ) কুকিনা শুগুনু ময়াদা লৈবা হানকীপ খুঙ্গংদা লান্দাদুনা খুঙ্গংদু মৈ থাদোকপগা লোয়ননা মীওই ১৫গী লুরেল লৌরগা হাৎখি, নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই ৪৫ লানফা ওইনা পুখি।

৬) জন্যুৱারী ৩১,১৮৬০দা রুট্টোন পোলিয়া কৌবা লুশাই কুকি চীফ অমনা লুচিংবা কুকি ৪০০/৫০০ মুক্না ফেনী তুরেল মরিলদা লাক্লগা ত্রিপুরাগী ছগুলনিয়া তম্পাক্তা লান্দাদুনা খুঙ্গং ১৫ মৈ থাখি, লুট তৌখি, ত্রিপুরী ১৮৫ হাৎখি অমদি মীওই ১০০ লানফা ওইনা পুখি।

৭) কুমজা ১৮৬২দা সিলেটকী অদুম্পুরদগী মাইল ৮ মুক লাপ্না লৈবা খুঙ্গং ৩ (রামদুলালবারি, রামমহোনবারি, চুনদ্রাইপারা) দা লান্দাদুনা মশীং য়ামখ্রবা খুঞ্জা কয়া হাৎখি অমদি কয়া অমনা লানফা ওইনা পুখি।

৮) জন্যুৱারী ২৩, ১৮৭১দা লুশাই কুকিনা কছারগী হাইলাকান্দি সব-দিভিজনগী আইনরখাল খুঙ্গংদা লান্দাদুনা চাউরাক্না মীওই ২৫ মুক হাৎখি, মীওই ৩৭না লানফা ওইনা পুখি।

৯) জন্যুৱারী ২৩,১৮৭১দা লুশাই কুকিনা সিলেটকী কছারিপারা খুঙ্গংবু মরূ ফূক্না মৈ থাখি, মীওই ২০গী মথক্তা হাৎখি, নহা ওইরিবা নুপী কয়াসু পুখি।

১০) ফেব্রুৱারী ১৫,১৮৭১দা লুশাই কুকিনি হায়না চিংনবা খূৎলায় পায়বশিংনা মণিপুরগী মৈরম মায়কৈদা লৈবা খুঙ্গং অমদা লান্দাদুনা মীওই ৪০গী লুরেল লৌরগা হাৎখি, মীওই ২৯না লানফা ওইনা পুখি।

১১) ওক্টোবর, ১৮৭৪দা মণিপুরগী খা থংবা মায়কৈদা লৈবা কুমসোল অমসুং মুকুঙ খুঙ্গং অনীদা শোক্তে (কামহৌ) কুকিশিংনা লান্দাদুনা খুঙ্গংশিং অদু মৈ থাদোকখি, নুপা ১৭ হাৎখি, নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই ৭৮ লানফা ওইনা পুখি।

১২) ফেব্রুৱারী, ১৮৮০দা চাছাদকী কুকিনা মণিপুরগী চীংসাউ খুঙ্গংদা লান্দাদুনা খুঙ্গং অদু মৈ থাবগা লোয়ননা মীওই ৪৫ হাৎখি, মীওই অহুম্না লানফা ওইনা পুখি।

১৩) জন্যুৱারী ৩১, ১৮৮৮দা লুশাই সিলু কুকিশিংনা পুকুমা খুঙ্গংদা লান্দাদুনা পুকুমাগী রানি অমসুং মীওই ২১ মখোয়গী লুরেল লৌদুনা হাৎখি, মীওই ১৫না লানফা ওইনা পুখি।

১৪) কুমজা ১৮৮৯গী জন্যুৱারী ৮ অমসুং ১০গী মরক্তা অপ্পর চেনগ্রি ভেল্লিদা লৈবা রাঙমাত্তিদগী মাইল ৪৩ লাপ্না লৈবা খুঙ্গং ২৪দা লুশাই সিলু কুকিশিংনা লান্দাদুনা মীওই ১০১ হাৎখি, মীওই ৯১না লানফা ওইনা পুখি।

১৫) জুলাই, ১৮৯১দা মণিপুর-কছার লম্বীদা লৈবা অটেঙ খুঙ্গংগী কবুইশিংনা শামু অমা হাৎলুই। অটেঙ খুঙ্গংগা নক্লনা লৈবা কুকি খুঙ্গং ৭ (মিং ওইনা ফলপি, চাঙচিন, মুলতান, পাইপিজুং, লাইপিমুল, ভুম কাট্টন, থাঙচুং) গী কুকিশিংনা অটেঙগী কবুইশিংদা মখোয়না হাৎলুবা শামু অদুগী ময়াশিংদু পীরকউ হায়রকপদগী কবুই ৬না শামু ময়াশিংদু কুকি খুঙ্গং ৭ অদুগী চীফতা খুৎশিন্নবা চৎলুবদা কুকিশিংনা কবুই ৬মক হাৎনবা হোৎনবদা ৫দি হাৎখ্রগা অমদি মশাদা শাথীনা শোক্লগা হাৎপা ঙমহৌদনা নাম্থোকখি। নাম্থোকখিবা কবুই অদুনা মাগী খুঙ্গং য়ৌদ্রিঙৈদা কুকিশিংনা মাগী খুঙ্গং অদুদা লান্দাদুনা নুপী অঙাং য়াওনা কবুই ৫২ হাৎখি, পীক্লিবা নুপামচা অমবুনা লানফা ওইনা পুখি। অদুম ওইনমক লান্দাদুনা কুকি অনীদি শিখি। (মখা চত্থজরকখিগনি) ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৭কী ৱাহং**

১) “তপথদ্রবা থমোইবু থেমজিল্লদুনা
লাঙ্‌তক্নরবা পুক্নিংবু ফাথরদুনা
ঙাইরি ঐ
অঙৌবা খুনুনা পাইরকপা”
মথক্কী পীজরিবা শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “মায়াবিনী” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমনা ইবা লাইরিক্নি। অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৩) “থৈবোঙদগী হৈগ্রুনা চাউবা হেনবা” হায়বা অঙাংগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারী অসি কনানা ইবগে অমসুং করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৪) “নবাব-নন্দিগী” (১৯৭১) হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমনি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো?

৫) “য়েন্নীংথা থুংলরে পাম্মুবী” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।